# লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা এফ সী লমজাও অমসুং ঐচ এফ সী লাংমৈদোংগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি



**ইম্ফাল, এপ্রিল ৯ (ঐচ এন এস):** লাংমৈদোং মমাং লৈকাই সিটিজন ক্লব (এল এম এল সী সী)না শীন্দুনা মমাং থাগী ২৩দগী হৌরগা টিম ১৬না শরুক য়ারগা চথরক্লিবা ৫রক শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন ৯ মেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অমদা এফ সী লমজাওনা এফ সী এলাংখাংপোকপী মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। ফাইনেলদা এফ সী লমজাওনা ঐচ এফ সী লাংমৈদোংগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদগী হৌরগা এফ সী লমজাও অমসুং এফ সী এলাংখাংপোকপী অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী এফ সী লমজাওগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। এফ সী লমজাওগী পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ২৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ জয়কিষননা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা এফ সী লমজাওগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা অদুম্মক শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৪০শুবা মিনটতা এফ সী লমজাওগী কৃষ্ণনা মখোয়গী টিমগী ওইবা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। এফ সী এলাংখাংপোকপীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবা খূদোংচাবশিং লৌবা ঙমখিদে। অমরোমদা, বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা এফ সী লমজাওগী মায়কৈদগী ৪৫শুবা মিনটতা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা এফ সী এলাংখাংপোকপীগী রোশননা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এফ সী লমজাওনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী হৌরগা ঐচ এফ সী লাংমৈদোং অমসুং এল এম এল সী সী (এ) লাংমৈদোংগী মরক্তা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ২৩শুবা মিনটতা এল এম এল সী সীগী এন সুরজনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এল এম এল সী সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা ঐচ এফ সী লাংমৈদোংগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মেটচ অদুগী ৩৯ শুবা মিনটতা ঐচ এফ সীগী পামেশ্বরনা ইক্কেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। মখা তানা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা ফাইনেল চঙবা ঙম্নবা মখোয়গী হৈ-শিংবা পূম্বা উথোক্তুনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী ৪২শুবা মিনটতা ঐচ এফ সীগী বিশ্বরজিৎনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ঐচ এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

থা অসিগী ১১গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা ঐচ এফ সী লাংমৈদোং অমসুং এফ সী লমজাও ফাইনেল শান্নরগনি।

# ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট : বি এস সী ব্রহ্মপুর সঙ্গাই চুথেক মায় পাকখ্রে




**ইম্ফাল, এপ্রিল ৯ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন (এম ভি সী এ)না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা অনীরকশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেম্মা দেবী মেমোরিএল টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বি এস সী বক্ষপুর সঙ্গাই চুথেক্না চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লি মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস চেম্পনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। চেম্পনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১১৫ লৌবা ঙমখি।

বি এস সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ১৫.৩ শুরকপদা টিম অদুগী ৱিকেট ৪ খক তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ১১৮ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু বি এস সীনা ৱিকেট ৬তা মায় পাকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা বি এস সীগী এ জ য়াদেবনা তাখি। মহাক্না রন ৬ অমসুং ৱিকেট ২ লৌরমখি।




# মণিপুর হোক্কী অমসুং হোক্কী কর্নাটকা দ্রো চৎখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ৯ (ঐচ এন এস):** হোক্কী ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা উত্তর প্রদেশকী ঝান্সিদা হৌজিক চথরিবা ১৫রক শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সিনিয়র মেন্স নেশনল চেম্পিয়নশিপ ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুর হোক্কী অমসুং হোক্কী কর্নাটকা মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।


টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা মণিপুরগী মায়কৈদগী কাউন্টর এটেকশিং চথুদুনা শান্নবা ঙম্লবসু পাঞ্জল চনবদি ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী লোইগদবা মিনট ১ খক্তা ঙাইরবা মতমদা মণিপুর হোক্কীগী শংলাকপম নিলাকান্তনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অদুমওইনমক মরিশুবা ক্বার্টরগী ৫০শুবা মিনটতা হোক্কী কর্নাটকাগী গনেশ মাজিনা ইক্কেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবদগী ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখিবনি।

[illegible]

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1441**

**Charles Henry Capon - John Odin Howard Taylor**
**Thorpe Thorpe ENG, 1873**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.c4 Bc5 | 4.Nc3 Bd4 |
| 5.Nb5 d6 | 6.Nbxd4 exd4 | 7.b3 Bg4 | 8.h3 Bxf3 |
| 9.Qxf3 Ne5 | 10.Qg3 Nf6 | 11.Be2 Nxe4 | 12.Qxg7 Qh4 |
| 13.O-O d3 | 14.Bxd3 Nf3+ | 15.Kh1… | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1440 Solution :**

**48. …Qg3+ 49.fxg3 fxg3#** David and Goliath mate
**0-1**

Ministry of Ports, Shipping & Waterways
Government of India
SAGARMALA

ইন্দিয়াগী ঈশিং লম্বীশিং

বিজিনেসকীদমক হাংদোক্লে



প্রাইভেট প্লেয়রশিংগী অনৌবা মায়ওন অমা



“ঈশিং লম্বীদা চৎথোক-চৎশিন তৌবনা ইনভাইরনমেন্ট ফ্রেন্দলি ওইবা অমদি চৎথোক-চৎশিন্দা কা-হেন্না শেল তিংহন্দনবা অনৌবা পাম্বৈ অমা শোয়দনা ওইরগনি”
- নরেন্দ্র মোদি, প্রাইম মিনিষ্টর

**ট্রান্সপোর্টকী ফ্যুচর মসিদা লৈরে!**

দি নেশনল ৱাটরৱেজ (কন্স্ট্রকশন ওফ জেটিশ/টর্মিনেল্স) রিগ্যুলেশন্স, ২০২৫না প্রাইভেট, পব্লিক অমসুং জোইন্ট ভেঞ্চর এন্টাইটিশিংনা ৱর্ল্ড ক্লাস টর্মিনেলশিং অমসুং জেটিশিং ১১১ নেশনল ৱাটরৱেজদা শেমগৎপদা অয়াবা পীরে।

ইহান হানবা ওইনা, প্রাইভেট বিজিনেস তৌরিবশিংনা নেশনল ৱাটরৱেজদা জেটিশিং শেমগৎতুনা কার্গো মুভমেন্ট লৈহনবা অমসুং কা-হেন্না শেল তিংহন্দবা য়ারগনি।

*পি এম নরেন্দ্র মোদি*গী ভিজননা চৈঙাক ওইদুনা, আই দব্লিয়ু এ আইনা লোজিষ্টিকশিং রিদিফাইন তৌরে-স্মার্টর, ফাষ্টর এন্দ কোষ্ট-ইফেক্টিভ।

**করিগীদমক ঈশিং লম্বীশিং?**

- **অনপ্রিসিদেন্টেদ গ্রোথ পোটেন্সিএল**- চহী ১০ খক্তদা কার্গো ট্রাফিক ১৮দগী ১৩৩ এম টিদা হেনগৎলে
- **ঈশিং লম্বীনা ফ্যুচরনি**- মসি শঙই, লূ-নাল্লি অমসুং শেন্মীৎলোন ফগৎহল্লি
- মোবাইল এপ্ **‘পানি’** গী খূত্থাংদা **আই দব্লিয়ু এ আইনা প্রোভাইদ তৌরি ফ্যেরৱেশিং,** নেভিগেশনেল মার্ক অমসুং চেনেল মার্কিং
- **দাইমেন্সনেল কার্গোশিংনা হেন্না** লায়না মথৌ তৌহল্লি
- অচিনবা লম্বী অমসুং রেলগা চাংদম্নরুবদা **থবক থৌরমশিং কোষ্ট ইফেক্টিভ** ওই
- আই দব্লিয়ু টি সেক্টরশিংদা **পোজিটিভ আউটকমশিং লাকহল্লি**

**মরুওইবা মওং মতৌ**

- **ফ্লেক্সিবল ওনরশিপ**- পর্মেনেন্ট নৎত্রগা টেম্পররি জেটিশিং মথৌ তৌবগী অয়াবগা লোয়ননা শেমগৎপা
- লল্লোন-ইতিক **লায়না তৌহনবা**
- **ওনলাইন এপ্লাই তৌ** অমসুং ‘নো ওবজেকশন সর্টিফিকেট’ (এন ও সী) অকক্লবা মতমগী মনুংদা লৌ
- এপ্লিকেশন অমসুং থুনা অয়াবা ফংনবা হোৎনবদা **অয়েৎ-অপন লৈহন্দবা অমসুং হেজল ফ্রী দিজিটেল প্রোসেস**

**ইন্দিয়াগী ঈশিং লম্বীগী অওনবগী শরুক ওইয়ু!**

অদোমগী বিজিনেস চাওথোকহন্নবগীদমক পুৱারী ওইরবা খূদোংচাবা অসি লৌহৌ, ট্রান্সপোর্টকী শেনফম হন্থহল্লু, অমসুং লৈবাক্কী ঈশিং লম্বীদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎতুনা সস্টেনেবল গ্রোথ তৌ।



**কনানা এপ্লাই তৌগনি?**

- প্রাইভেট সেক্টর কম্পেনিজ/ইন্দিভিজ্যুএলস
- গভর্ণমেন্ট এজেন্সীশিং অমসুং ট্রষ্টশিং
- পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিংস (পি এস য়ু এস)
- জোইন্ট ভেঞ্চরশিং অমসুং কোওপরেটিভশিং

**ঙসিমক এপ্লাই তৌ!** আই দব্লিয়ু এ আইগা তানৌ নৎত্রগা ঐখোয়গী ওনলাইন পোর্টেল **www.iwai.nic.in** দা চঙদুনা থবক হৌরো।

ইন্দিয়াগী ঈশিং লম্বীশিং • অদোমগী খূদোংচাবশিং • লোইবা নাইদবা ওইথোকপশিং

CBC 37211/15/0001/2526

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com